# GAS NEWS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto12/02/22**
Valid from 02/02/2022
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940/ 8414824977/7085786488
Call Time 8am to 12 noon Sunday closed

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO 31/01/2022**
VALID FROM 16/12/2021
**STOCK 306 DBTL ONLY**
TIMING 8 AM TO 1PM

**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTo02/04/22** VALID FROM26/03/22
HOME DELIVERY ONLY... CONTACT NO. 9089709738 /9856398141
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM
WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 11/04/2022
**BOOKING UPTO:14/04/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 21/04/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking upto 20/01/22**
Valid from 12/01/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 12-03-22
**B/upto - 14-03-22**
**Stock 306**
7am to 10am

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**MAHALAKSMI INDANE GAS,**
**BK. UPTO 25-3-2022,**
valid from 15-3-2022,
Home delivery only,
Plz. cont. office nos. # 9366590870, # 9862312969, # 8787326327,
Timing : 10 am to 12 noon.
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870

**M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU.**
**B/UPTO-31-03-2022**
V/frm-16-03-2022
**Stk-306.**
Only home delevery
call -7629966437. 9am to 2pm.

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 9:00 AM TO 01:00 PM
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156(SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 31/03/2022**
Valid from 03/03/2022

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connectionavailable 06-04-2022 Update Gas With Fresh photo. New Contact Office No. 6009392991,9362654114,0385 3560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app> It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**GBD Indane Service**
**Booking upto :-15/04/2022**
Valid from :-20/03/2022
**Stock :- 294**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday )
Contact no. 9362178800 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 24-02-22**
Valid from 21-02-22
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no.9612023095
Whatsapp no.9366981788
Time 7.30am to 10.30am

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking upto 02/05/22**
Valid upto 22/04/22
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937. *SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886. TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937, 9774213728 *TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.


# চিংখৈঙানবীগী হকচাং লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস) :

মমাঙ থাগী ২১ দা খোর্দাক অৱাং লৈকায়দগী শামোম নিংঙোল নিংথৌজম ওংবী চিংখৈঙানবী (২৫), মপুরোইবা এন বিজান্দোবু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা চাক ফুনবদগী বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা শিবনি হায়রবসু পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি মহাক হু থল্লগা শিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি মহাক্কী মীশিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সী অমদি মপামগী মীওইশিংনা মহাক্কী হকচাং লৌরগা অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লবগীদমক পুখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী কনভিনর এন অমরনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবী চিংখৈঙানবী হু থক্তুনা শিবনি হায়বা খঙলকপদগী মহাক্কী মপুরোইবসু ঙরাং পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

করি মরমগীদমক মহাক্না হু থক্লগা শিরিবনো হায়বদু কুপ্পা থীগৎপগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং অহকপা চৈরাক ফংহল্লু। লৈখিদ্রবি চিংখৈঙানবীগী মপুরোইবা বিজান্দোগা মহাক্কী লোয়নবীগা মমাংদা কয়ারক খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, চিংখৈঙানবীগী অপোকপা সঞ্জিৎনা হায়, পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট ফঙলে অদুবু মহাক্কী মচানুপীগী মীশি অসিদা তোঙান তোঙানবা মরান কয়া শিবিরকখি মসিদা সী এমনা অহেনবা মিৎয়েং চঙবিদুনা মীহাৎপদা চেন্নরিবা মীওই খুদিংমক লোগী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক পীবিনবা আপিল তৌরকখি।

# বোম পোকখায়হল্লম্লে...

*লামায় ১গী মখা...* বোম এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না পোকখায়হল্লক্লিবা বোম অদু মপাঙ্গল কনবা টাইমর বোম নৎত্রগা রিমোর্ট কন্ত্রোল দিভাইস শীজিন্নদুনা পোকখায়হনবা হায় ইন্টেন্সিটি ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস ওইরম্বা য়াই হায়রি।

অদুম ওইনমক বোম পোকখায়রকপা অদুনা মীওই অমত্তবুদি অশোক অপন য়াওহনখিদে। অদুবু বোম অদু করম্বা মীওইশিংনা করি মরমগীদমক পোকখায়হল্লম্লিবনো হায়বদুদি খঙবা ঙমখিদ্রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

# মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দগী মীংদা...

*লামায় ১গী মখা...* লুপা ৭১,৫০,৯৮৭ রোম ওইগদবা রেঞ্জ রোভর কার অমা লৈখি হায়রি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা কুমজা ২০১৩দা এক্টিভা-১ হোন্দা মোটোর সাইকল অমা লৈ হায়রি। মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দগী চাওরাক্লা লুপা ১,৭৬,০০০ রোম ওইগদবা সনা সন ৩ রিং অমা অমদি সনা সন ৮মুক্কী ওইগদবা চেন অমসু লৈ। লোয়ননা মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গনদা ০.৩২ পিষ্টোল অমা লৈ। মহাক্কী লোয়নবীগীনা চাওরাক্লা লুপা ৩,২০,০০০ রোম ওইগদবা সনা টোলা ৫ লৈ হায়রি। পুন্না মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দগী এসেটকী গ্রোস টোটেল ভেল্যু অসি লুপা ১,৭১,৩২,৬১১নি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী এসেটকী গ্রোস টোটেল ভেল্যু অসিনা লুপা ৭,০৮,২৯৪নি হায়রি।

মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দনা রির্টনিং ওফিসরদা মীখলগা মাঙওইননা পীশিনখিবা এভিদভিট অদুগী মতুংইন্না মহাক অমদি ইমুং মনুংগী মীওই ৫গী অপুনবা মীংদা শুপ্পগী ভিলেজ নম্বর ৪১-চিঙামথক্তা স্কৱার ফিট ৫,২২০ চাওবা রেসিদেন্সিএল এরিয়া নত্তনা এগ্রিকলচরেল লম অমত্তা লৈতে হায়না পল্লি। মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা চাওরাক্লা স্কৱার ফিট ১,৬০৩ রোম পাকচাওবা ভিলেজ নম্বর ৯৫- মোরেদা নন এগ্রিকলচরেল লম অমা লৈ হায়রি। য়ূম্নাম খেমচান্দগী গ্রান্ট টোটেল ওফ লাইবিলিটিজ অসিনা লুপা ৫৯,০০,০০২ ওইরি। লোয়ননা মহাক্কী কুমজা ২০২০-২১গী অরোইবা ইনকম টেক্স রির্টন ফাইলগী মতুংইন্না টোটেল ইনকম শো অসি লুপা ১৩,৩৯,৫৯০ ওই হায়নসু মহাক্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা রির্টনিং ওফিসরদা পীশিনখিবা এফিদভিট অদুদা পল্লি।

# মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎ,এম এল এ ...

*লামায় ১গী মখা...* থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং এম এল এশিংদা এস এস ওলিস অমসুং সোরোকখাইবম রাজেনগী মথক্তদি অনীশুবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অমুক্কসু ফাইল তৌনরকখিবদগী মখোয় অহুমগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা অনীশুবা অমসুং অনৌবা পিটিসনশিং হয়েং খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌখ্রে।

অহানবা ওইনা থোংজু এ সীদগী কারল্লগা হৌজিক মিনিষ্টর ওইরবা থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মথক্তা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা সেরাম নেকেননা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরকখ্রবনি। মেট্টর অদু মমাঙ থাগী ২৫দা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরগা টি ঐচ বিশ্বাজিৎ য়াওনা রেসপোন্দেন্টশিংদা চয়োল ৩গী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রবনি। অদুগা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক থা অসিগী ১৬তা অমুক হন্না খন্ননবা মতম লেপ্তুনা লৈরিবনি।

চৈরকসিদা অনীশুবা ইলেক্সন পিটিসন ওইনা টি ঐচ বিশ্বাজিৎকা লম্বা তৌনখিবা শংলাকপম প্রেসিওজিৎনা অনীশুবা অমসুং অনৌবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৭ ওফ ২০২২বু টি ঐচ বিশ্বাজিৎ অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকখ্রে। মেট্টর অসিমক হয়েং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা খন্ননবা কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

লোয়ননা ৪১-চান্দেল এ সীদগী কারকখিবী এম এল এ, এস এস ওলিসকী মথক্তা লাংহু পোলরিং অনালনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৬ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরক্তুনা ঙরাং জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরগা রেসপোন্দেন্টদা নোটিস ইস্যু তৌখিবদা ঙাইহিরিঙৈদা এম এল এ অসিগী মথক্তা অনৌবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৬ ওফ ২০২২বুসু পিটিস্নর লুনখোপাও হাওকিপনা ফাইল তৌরকখ্রে।

এম এল এ অসিনা মায়োক্নরিবা অনীশুবা অমসুং অনৌবা ইলেক্সন পিটিসন অসিদনা মহাক অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনা রেসপোন্দেন্ট ওইরি। মেট্টর অসিমকসু হয়েং জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা খন্ননবা কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

অমরোমদা, লমশাং এ সীদগী কারকখিবা সোরোকখাইবম রাজেন মহাক্না লম্বা তৌনখিবী পুখ্রম্বম সুমতিনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরক্তুনা মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা এম এল এ অসিগী মথক্তা অরুবম ইবোতোম্বী কৌবা পিটিস্নর অমনসু ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৮ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরকপদগী হয়েং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা খন্ননবা কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৪দা লিষ্ট তৌখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা হয়েং ফাওবদা লিষ্ট তৌরিবা অনৌবা মেট্টর অহুম অসি থারগদি কোর্ট অসিনা লৌখৎলকপা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ২৮ শুরে।

অদুম ওইনমক কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরল্লগসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌদ্রিবা ইলেক্সন পিটিসন খরসু লৈরি।

লোয়ননা ঙসি কোর্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা বেঞ্চশিংদা লিষ্ট তৌখিবা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী মনুংদা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৯ ওফ ২০২২ (ওইনাম লুখোই ভর্সেস খুরাইজম লোকেন অমসুং অতোপ্পা মীওই অমা) গীনা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা নোটিস ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রে। বেঞ্চ অসিমক্তদা লিষ্ট তৌখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২২ ওফ ২০২২ (মোইরাংথেম ওকেন্দ্রো ভর্সেস থোকচোম রাধেশ্যাম অমসুং অতোপ্পা মীওই ২) গীসু থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা লিষ্ট তৌখ্রে। মেট্টর অনীমক বেঞ্চ অসিনা থংননা লৌখৎলগা খন্নখিবদা মথংশিংনা কাউন্সেল অজয় পেবম অমসুং সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রো অমদি কাউন্সেল মুরতাজা অহম্মদনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখি।

লোয়ননা ঙসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২০ ওফ ২০২২ (ডা. চালতোনলিয়ান আমো ভর্সেস ঙুরসাংলুর সনাতে অমসুং অতোপ্পা মীওই অমা) অমদি ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৩ ওফ ২০২২ (এম দি ফজুর রহিম ভর্সেস উসম দেবেন অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুম) গী মেট্টরশিং লৌখৎলকপদনা সিনিয়র কাউন্সেল এম ইবোতোম্বীনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখি। পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা সবমিট তৌরকপা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা রেসপোন্দেন্টশিংদা থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি।

বেঞ্চ অসিনা লৌখৎলগা খন্নবা হৌখিবা অতোপ্পা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৫ ওফ ২০২২ (লৌরেম্বম সঞ্জিৎ ভর্সেস থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুম) গীনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখি। কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা রেসপোন্দেন্টশিংগী মরক্তা য়াওরিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারগী মথক্তা হান্নসু ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নর লৌরেম্বম সঞ্জয়গী ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৪ ওফ ২০২২ অদুগী মথংগী নুমিৎ ওইরিবা মথং থাগী ২দা অমুক হন্না ৱায়েল চত্থনবগীদমক লেপ্পবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

অমরোমদা, ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা য়ূমখাম ইরাবোতনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৪ ওফ ২০২২সু ঙসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়ননা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, হন্দক্কী মীখলগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা এম এল এ থাংজম অরুনকুমার অমসুং মীওই অনীগী মথক্তা ইহান হানবা ইলেক্সন পিটিসন ওইরিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০২২ অদুসু ওক্রম হেনরিনা পিটিস্নর ওইদুনা এম এল এ অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকপদগী কোর্টনা নোটিস ইস্যু তৌখিবা লৈখ্রবনি। অহানবা কেস অদুগী মথংগী ৱায়েলনা থা অসিগী ৯দা চত্থনবা মতম লেপ্তুনা লৈরিবনি।

# নোংলৈ নুংশিৎনা সী আর পি এফ গ্রুপ সেন্টরগী উ পাম্বী ৩৭ তেকখি

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস) :

থা অসিগী ৩দা অকনবা নোং চুবা য়াওনা শিংখিবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরদুনা লাংজিং অচৌবদা লৈরিবা সী আর পি এফ গ্রুপ সেন্টরদা হৌবা অচৌবা উ পাম্বী ৩৭ অমাঙ অতা থোকহনখি হায়না গ্রুপ সেন্টর অসিগী পব্লিক রিলেসন ওফিসরনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরদুনা হৌজিক গ্রুপ সেন্টর অসিদা ঈশিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাইগী থবকশিংদা অপনবা পীবদগী অনীমক ফংদ্রে হায়রি। খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লহনখিবদা নত্তনা কেন্দ্র বিদ্যালয়াগী য়ূমথক য়াওনা গ্রুপ সেন্টর অসিগী ফেমিলি লৈরিবা য়ূমশিংগী য়ূমথক, হোস্পিটাল অমসুং লাইশঙগী ৱালশিং অমদি টোইলেটনচিংবসু অমাঙ অতা থোকহনখিবদা নত্তনা গ্রুপ সেন্টরগী লম্বীশিংসু চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকহনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক গ্রুপ সেন্টর অসিগী দি আই জি মদনকুমারগী লমজিং মখাদা অখন্নবা দ্রাইভ চত্থবদগী ঈশিং অমসুং মৈদি ফংবা ঙম্লে হায়রি।

# হায় কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা অম্বাগী...

*লামায় ১গী মখা...* রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ অমসুং ২গীনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এ ভাসুমনা লৌখি অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪গী নোটিসনা কাউন্সেল টি ঐচ মহিরানা লৌখি। অদুম ওইনমক লেমহৌরিবা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩ অমসুং ৫দসু নুমিৎ নীনিগী মনুংদা কোর্টনা ইস্যু তৌরিবা নোটিসশিং অসি য়ৌহন্নবগী থবক পাঙথোক্লবা কোর্টনা পিটিস্নরদা দিরেক্সন পীখি। পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা অম্বাগী অনৌবা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং খন্নবগী রির্টর্নিং ওফিসরনা এপ্রিল ২৫, ২০২২দা মীখল পাঙথোক্লবগীদমক নোটিস থোকখি। নোটিস অদুগী মতুংইন্না পিটিস্নর মশামক্না লোয়ননা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫ ওইরিবা মীওই অসিনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট পোষ্টকীদমক নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌখি হায়রি। লোয়ননা আর ওনা খঙহনবগী মতুংইন্না এপ্রিল ৩০, ২০২২দা স্ক্রুটিনি পাঙথোকখি অমসুং নুমিৎতুমক্তদা কেস অসিগী পিটিস্নরনা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫ ওইরিবা মীওই অসিনা অমুক হন্না অম্বাগী থৌ পুবশিং খন্নবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা মীরেপ ওইনবা হোৎনরিবসি বাই লো ১৩ (২) গী মতুংইন্না ইলিজিবল ওইদে হায়বগী ওবজেক্সন তৌরকখি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী তৌখিবা ওবজেক্সন অদু আর ওনা থা অসিগী ২দা থোকখিবা ওর্দর অমনা রিজেক্ট তৌখিবদগী মহাক্না কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি। মরম অসিনা কোর্টনা পিটিস্নরগী ৱাফম তারবা মতুংদা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ওইগদৌরিবা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা অম্বাগী ইলেক্সন কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা পাঙথোক্তনবা খঙহনখিবনি হায়রি।

# কানি কিলোগ্রাম ১৩গা কোন্ননা ফাখিবী...

*লামায় ১গী মখা...*অনীবু মরাল লৈরে হায়দুনা কনভিক্সন পীখিবনি অদুগা ঙসিনা মখোয় অনীগী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা কোর্ট অসিদা সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোকখিবনি।

করিগুম্বা মখোয় অনীনা ফাদোক্কী মতমশিং অসি জেলদা লৈবগী মথক্তা পীগদৌরিবা লুপা লাখ ১/১গী ফাইনগী শেনফম অসি পীবা ঙমদ্রবদি মখোয় অনীগী ফাদোক্কী মতম থা ৬/৬ শাংদোক্কনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি।

# চীফ মিনিষ্টরনা পোপি পাম্বী ...

*লামায় ১গী মখা...* সোইল কঞ্জার্ভেসনগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি পি ভাইফৈ, লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর হোনি চারা, মোমাগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা দি বি টি অসিগা ইরোয়ননা ওন-ফার্ম ইনপুটকীদমক অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী ওইনা লৌমী অমমমদা কম্পোনেন্ট এসিষ্টেন্সকী ওইনা লুপা লিশীং ১১,২৫০গী শেনফম ট্রান্সফর তৌখি। অনীশুবা ইন্সটোলমেন্টদা লৌমীশিংদা লুপা ৩৭৫০গী শেনফমসু ট্রান্সফর তৌরগনি হায়রি।

# হুরানখিবা এক্টিভা ৫ ফাগৎলে...

*লামায় ১গী মখা...* জি-৬৩৯৫ (৬জি) অমসুং এম এন -০৪/দি-০৭৭৬নি হায়রি।

অদুম ওইনমক গাড়ীশিং অসিদা য়াওরল্লিবা রেজিষ্ট্রেসন নম্বরশিং অসি শেমজিন শাজিনবা অরানবা রেজিষ্ট্রেসন নম্বরশিং ওইরম্বা য়াই হায়রি।

কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেলশিংনা গাড়ীশিং অসি গাড়ী হুরানবশিংগী মথক্তা চত্থরকপা দ্রাইভশিংগী মনুং চন্না চত্থখিবা ওপরেসনদা ঙরাং ফাগৎলকখিবনি হায়রি।

# মীতৈ ফুরুপ্পু খুঞ্জাও লৈচাওনবা...

ঙরাংগী মখা... ঙাই শেন লৈরক্কনি, মসিনা খুঞ্জাও লৈচাওগনি। মমানা লাইনিংথৌ লৈমরেল খুরুম্মু হায়রক্কনি, মসিদগী লাইনীং লাকপনি। লাইনীংনা ইথৌ ওইহনবা য়াদে, লাইরিক্লা ইথৌ ওইগদবনি হায়রকপা তারগদি মপাম্থোংগীনি। চৎলিবা লম্বী থোংনি মসিসু লায়থোকপদি য়াদে। তৌবতবু লাইনীংদি পৎপা-পূম্বা লৈতে, মৈনা চাক্তে, ঈশিং ঈচাওনা চেন্থদে। লাইরিক্তি ঈশিং ঈচাওদা চেন্থবা অমদি মৈনা চাকপদা য়াওরি। অদুনা পৎপা-পূম্বা নাই। ইচা পাখঙ অমসুং লৈশা পূম্ন মক লাইশুরোল তম্বীগদবনি। লাইশুরোল তম্বসি কোম্থোং ৱাংমা লান্না চৎলগা লাইনীং তমগদবা নত্তে। য়ূমদা কাখল মরি লৈবগী মনুংদা লাইনীং লোইনা লৈবা মরম্না মমা মপাশিংনা য়ূমদগী তম্বীগদবনি। মীওইবা কৌবা ঐখোয়না মালেমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা মরম্না লাইগী মতিক ময়াইসি শনে দাক্কদবনি।

লাইনীং হায়রকপা মতমদা লাই হায়বা অমা লৈগনি, নীংবা হায়বা অমা লৈগনি। লাইনীং ইনাৎ হায়রকপদা লাইনীংলিবদুগী মশাদা চেল্লিবা ঈগী ঈচেল মনুংদগী তাইবঙপালদা উরিবা থৌদোকশিং অদুবু ইনাৎ হায়না কৌই। ইনাৎ হায়না কৌবদা সলাই তরেৎ হায়রিবসি খুদম ওইনা লাইনিংথৌ নীংবা, ইবুধৌ পাখঙবা, নোংদালাইরেল পাখঙবা, খোয়ুম লাইয়ামসিবু নীংবা ঐখোয়গী ইশাদা চেল্লকইবা ঈগী ঈচেল অসিনা ফোঙদোক্কদৌরিবনি। চাকহোঙবা, ঙাহোঙবা হায়রিবনিনা চাক হায়বসি মৈতৈ ফুরুপকীদি চাক উম্বা হায়না, নুপীনা থা ৫-৭ অমসুং নুপানা থা ৬-৮দা চৎনদুনা লাক্লি।

লাইনিংথৌ লৈমরেলদা অথেন লোইপোৎ কৎকনি, কৈথেল লাইরেম্বী তরেৎতগী চেঙ কৎকনি। লাইদা কৎলবা মতুং থোংদুনা চাক উম্বনি, ঙারম তরেৎ, শিংজুদা হৈবী মনা য়াওদবা য়াদে, ইরোম্বা, চম্ফুৎ, উতি নচিংবা মথেল তরেৎনি। শিংজু চাবসিনা অনাবদসু ফহল্লি, লাইরেম্বী তরেৎতসু কৎলি, হেলোই তরেৎ, লমলৈমা তরেৎতসু কৎলি। মীওইবনা হকচাং নুংঙাইরক্তবদা শিংজু মোরোক চানীংবদা চারগা ফৈ হায়না হায়বীখি।

# ননাও শিখিবা থৌদোক জুদিসল ইনক্কারি তৌরগনি...

*লামায় ১গী মখা...*

লৈখিদ্রবগী অপোকপীনা ফাইল তৌরকখিবা কেস অদুনা কোর্টতা হায়জরকখিবনা মহাক্কী মচানুপা লৈখিদবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্কারি অমা কোর্টনা চত্থহনবীয়ু হায়বসিনি। মরমদি মহাক্কী মচানুপা অসি থা অসিগী ২গী অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা ফিজম শেৎপা পুলিস পর্সনেল ৩/৪ রোমনা লাক্লগা এরেষ্ট মেমো পীরমদনা ফারগা পুখিবনি।

থৌদোক অদুগা ইকান কান্নদনা মশানা মশাবু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী সব ইন্সপেক্টর জিতেন্দ্রোনি হায়দুনা শক্তাকচবা মীওই অমনা অঙৌবা মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমা থৌদুনা লাক্লগা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা লাক্লবা খঙহল্লমখি হায়রি।

এস আই জিতেন্দ্রোনা হায়রম্বগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবগী অপোকপী মমানা নুমিৎতুগী অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা চৎখি অদুবু নুংথিলগী পুং ১.৩০ তারকপা ফাওবদা ঙাইদুনা লৈহল্লগা এস আই জিতেন্দ্রোগা উন্নহনখি। উন্নবদুদা পুলিসকী এস আই অসিনা নুমিৎতুগী নুংথিল পুং ৪গী মমাংদা মচানুপা থাদোক্লবগীদমক লুপা লাখ ৫ পুরগা লাক্লবা খঙহল্লকখি হায়রি। অদুগা এরেষ্ট মেমো অমা পুথোরক্তুনা মঙোন্দা খূৎয়েক পীহল্লবা মতুংদা মদুগী কোপি অমসু পীরকখি হায়রি।

অদুবু নুংথিলগী পুং ৪ রোম তারকপদা লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মীওইশিংনা ননাওবু তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরক্লবগীদমক পীয়ু হায়রকখিবা শেনফমদু পীননবা থৌরাং তৌদুনা কোয়চেন চেন্নরিঙৈদা পুলিস পর্সনেল খরনা ননাওবু অমুক হন্না ময়ূমদা পুদুনা লাক্লগা মহাক্কী কাদা পুশিনখি হায়রি। কা অদুদা ইমুংগী মীওই অমত্তা চঙহনখিদে হায়রি।

অদুবু মতমদুগা ইকান কান্নদনা পুলিস পর্সনেলশিং অদুনা ৱাখল তাদবগী ফীভমদা লৈরবা মচানুপাবু য়ুনিফোর্ম শেৎতবা অমা য়াওনা পুলিস পর্সনেল ২না রিমসতা পুখৎখি। অদুম ওইনমক মফমদু য়ৌবদা মচানুপা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌওংশিং অসিনা তাকপদি লৈখিদ্রবা মচানুপাগী মশা শীনবা থুংনা ফূ-চৈবা তৌখিবগী চৈফম কয়ামরুম লৈখিবনা মহাক পুলিস ষ্টেসনদা ফূদুনা টোর্চর তৌখি হায়বসি অশেংবা ওইগনি হায়নসু কোর্টতা ৱাকৎখি।

লৈখিদ্রবা অরাম্বম ননাওগী মমানা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস অসিদা এক্যুজশিং ওইনা চার্জ তৌরক্লিবনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরি অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জনি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট মৈহৌবম রাকেস, টি ঐচ প্রেমলতা, এল রেবিকা, জে হিলসন অমসুং জে এস চমদিল অনালনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরল্লিবা ৱাফমশিং তাখিবগা লোয়ননা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ তারকপা ফাওবদা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস লৌখৎলবদি সী আর পি সীগী সেক্সন ১৫৭কী মতুংইন্না কোর্টতা সবমিট তৌরকফম থোকপশিং ঙরাং নুংথিল পুং ৩ ফাওবা তৌরক্কবা মতুং নুংথিলগী পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ৱাটসএপকী খূত্থাংদা এফ আই আর নম্বর ১০৬ (৫) ২০২২ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়বগা লোয়ননা কেস অসিগী ইজহারগী কোপি অমসু থারকখি হায়রি।

কোর্টনা লৈখিদ্রবা অরাম্বম ননাওগী অপোকপী মমানা ফাইল তৌরল্লিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস অসিনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা সী আর পি সীগী সেক্সনশিংনা পীবা প্রোভিজনশিং কুপ্পা নৈনরবা মতুংদা থৌদোক অসিগী মতাংদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৭৬ (১-এ) গী মখাদা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস (ইম্ফাল ৱেষ্ট-২) রোবার্ট লুংদিমবু থৌদোক অসিগী মতাংদা জুদিসল ইনক্কারি চত্থনবা ওর্দর পীখি। লোয়ননা অরাম্বম ননাওগী মীশি অসি কষ্টদিএল দেথনি হায়রিবনা জুদিসল ইনক্কারি অসিগী রিপোর্ট ঙরাংদগী পারগা চয়োল ২গী মনুংদা পীখৎলক্নবসু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী ওর্দর অসিনা খঙহনখি।

লোয়ননা ইনক্কারি অসিগী মনুং চন্না অরাম্বম ননাওবু মতৌ করম্না লৈখিদবনো, মহাক লৈখিদবা ফাওবগী মমাঙদা থোকখিবা সিক্বেন্স ওফ ইন্সিদেন্ট অমসুং মেনরশিং, মহাক শিখিবগী মরুমদা লৈখিবা মরমশিং, মহাক লৈখিদবদা পুলিস পর্সনেল নৎত্রগা অতোপ্পা মীওইশিং চেন্নব্রা, লৈখিদ্রবা মীওই অদুদগী পুলিসনা মমল য়াম্বা পোৎলমশিং নৎত্রগা শেল ফাগৎখিবা লৈব্রা নৎত্রগা মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদগী সিজ তৌখিবা লৈব্রা হায়বনচিংবা থিজিন্নবা খঙহনখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী হকচাংগী ইনকেষ্ট অমসুংপোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌবগী রিপোর্ট. শিবগী মরু ওইবা মরম, পুলিসকী জেনরেল দাইরি নৎত্রগা এফ আই আর নৎত্রগনা মহাক ফাবগা মরী লৈনবা রেকোর্দশিং খোমজিনবা য়াওনা লৈখিদ্রবা ননাও ফাখিবা নুমিৎ থা অসিগী ২দা লোক-অপতা অতোপ্পা ইনমেটশিং লৈখিব্রা, লৈরগনা মখোয়গী ষ্টেটমেন্টশিং লৌনবসু খঙহনখি।

মরু ওইনা ইনক্কারি অসি মপূং ফানা লোইশিন্দুনা মসিগী রিপোর্ট পীখৎলক্লিঙৈ ফাওবা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস পর্সনেল অমত্তা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং তৌবা য়ারোই। ইনক্কারিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লিবা ফাওবা লৈখিদ্রবগী হকচাং লৈরোন চনবা য়ারোই অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটি পূম্নমক্না জুদিসল ইনক্কারি অসি চত্থরকপদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগদবনি হায়নসু খঙহনখি।

অদুগা ঙরাং সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা পীখিবা ওর্দর অসিগী কোপিশিংসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টতসু কোপি অমমম পীবগা লোয়ননা জুদিসল ইনক্কারি চত্থগদবা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস (ইম্ফাল ৱেষ্ট-২) দসু কোপি পীনবা খঙহনখি। লোয়ননা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অমসুং রিমসকী দিরেক্টরদসু মথৌ তাবা ইন্সত্রক্সনশিং পীনবগীদমক কোপি অমমম পীনবসু খঙহনখি। অদুগা ইনক্কারি অসিগী রিপোর্ট থা অসিগী ১৮দা খন্ননবগীদমক ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস অসি নুমিৎ অসিদা অমুক হন্না ফিক্স তৌনবা খঙহনখি।

চৈরকসিদা অরাম্বম ননাও লৈখিদবা থৌদোক্কী মতাংদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০৪, ৩৪গী মখাদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ১০৬ (৫) ২০২২গা মরী লৈননা ফারবা পুলিস ষ্টেসন অসিমক্কী সব ইন্সপেক্টর থোকচোম জিতেন্দ্রো ঙসি কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর ওইরিবা এস দি পি ও, এ কে শান্তিকুমারগী মায়কৈদগী সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখিবগা লোয়ননা ঙসিদগীনা থা অসিগী ১০ ফাওবা নুমিৎ ৬নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখ্রে।

মহাকপু কোর্টতা পুথোরকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম জমুনানা লেপখি অদুগা এক্যুজ সব ইন্সপেক্টর জিতেন্দ্রোগী মায়কৈদনা এদভোকেট এল মনাওবীনা লেপখি।

কোর্টনা এক্যুজ জিতেন্দ্রোদা হকথেংননা হংখিবদা মহাক ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবগী প্রোব্লেম লৈ হায়রকপদগী কোর্টনা আই ওদা মহাক্কী হেল্থ কন্দিসন মোনিটর তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পুলিসনা প্রেয়র তৌরকপা অদুবু অয়াবা পীরদুনা মহাকপু থা অসিগী ১০ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

অদুম ওইনমক মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা থম্লিঙৈগী মনুংদা মথৌ তারক্লবদি পুং ৪৮ খুদিংগী মহাকপু জেনিমস নৎত্রগা রিমসতা মেদিকেল চেক-অপ তৌগদবনি হায়নসু কেস অসিগী আই ওদা ইন্সত্রক্সন পীখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৬৫°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.০৪°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৬

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.804051 |
| US Dollar | 76.259937 |
| British Pound | 95.755932 |
| Australian Dollar | 55.006160 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.524925 |
| Japanese Yen | 0.587965 |
| Malaysian Ringgit | 17.537582 |
| Singapore Dollar | 55.337170 |
| South Korean Won | 0.060570 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.335983 |
| Thai Baht | 2.237313 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5128.00 |
| Chennai | – | Rs | 5232.00 |
| Delhi | – | Rs | 5128.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5128.00 |


## ꯄꯤ.ꯑꯦꯆ.ꯗꯤ/PhD Awarded



Shri. Soibam Peter Singh S/o Soibam Kuber Singh and Soibam (O) Joymati Devi of Haobam Marak Irom Leikai, Imphal West has been conferred the Degree of Doctor of Philosophy in **"Agricultural Economics and Farm Management"** by the Institute of Assam Agricultural University, Jorhat in the thesis entitled **"Determinants of Production instability, Efficiency and Supply Chain Management of species in North East India."** He secured distinction mark in his research work.

He has completed in Research Work under the Supervision of Dr. Jayanta Prasad Hazarika, Associate Professor, Dept. of **Agricultural Economics and Farm Management.** He has published several National and International Research Papers and Bulletin in the field of Agriculture and Allied Sciences and also participated/presented papers in various Seminars/conferences/workshops.

He is presently working as Subject Matter Specialist Grade-7 in K.V.K, Anjaw, under ICAR Arunachal Pradesh Centre, Basar West Siang District.

We wish his seccess in all the future endeavours.

HL-P/2635/6

***Sd/- Family, Relatives and Well-Wishers***